ঙসিগী রাশি ফল

মেষ : শান্ন-খোৎনবদা মিংচৎ ফংবা নুমিৎনি।
বৃষ : লম-তু য়েংবা চৎপা নুমিৎনি।
মিথুন : অনৌবা মরী-মতা ফংবা নুমিৎনি।
কর্কট : মীনা তৌবীবা থবক নিংবা থুংদবা নুমিৎনি।
সিংহ : মীগী অশোইবা উগনবা নুমিৎনি।
কন্যা : ইমুং-মনুং ৱাখল ফাওনদবা নুমিৎনি।
তুলা : ৱানোম্বদা চক্রি থাংবা, নিংবা থুংদবা ওই।
বৃশ্চিক : শেল চৎপা, পোৎ-চৈ লৈশিনবা নুমিৎনি।
ধনু : থিকাগী অনৌবা পাউ তাবা নুমিৎনি।
মকর : মীনা তৌবীবা থবক নিংবা থুংদবা ওই।
কুম্ভা : শা-ঙাগী করবারদা শেল তোংবা ওই।
মীন : লাই য়েকপা, ফি তুবা, মুর্ত্তি শাবগী মিংচৎ ফংবা ওই।

পি এসতা নোংমৈ থমজিনগদবনি

জিরি, জনুৱারী ১০ঃ ওফিসার ইন-চার্জ জিরি পুলিস ষ্টেসনগী এন জি য়াইস্কুল সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা লাইসেন্স নোংমৈ পাইবা মীওই খুদিংমক্না লাক্লিবা জনুৱারীগী তাং ১৫ ফাওবগী মনুংদা লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈশিং অদু পুলিস ষ্টেসন অসিদা থমজিল্লনবা খঙহল্লি।

থৌরাং অসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া, এম সি সিগী গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়না চেরোল অদুনা পল্লি। করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা নোংমৈশিং থমজিলহৌদবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক ফংগনি হায়রি।

মুনান লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ হৌখিবা চহী ১৯৫৮ তগী কংলাগীদমক্তা চহী ৪৮ হেন্না কৎথোক্তুনা কংলা পাখংবা টেম্পল, য়েক ৭ পাখংবা লাইনিং কংলানচিংবা লীংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লাইশ্রম মুনান খুমন নরানশেনাদা লৈবনা মশাগী য়ুমদা হৌখিবা জনুৱারী ৮ দা মশাগী চহী ১০০ শুরকপগা লোয়নননা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবগী থৱাই মীরেলনা মপুগী লৈকোলদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনবা অমদি অনৌবা মপোক য়াইফবা অমা ওইরক্লবা কংলাগী ফমথৌশিং অমদি থৌমীশিংগী অপুনবা মীফম অমা পোরোম্পাৎতা লৈবা সেক্রেটরি জেনরেলগী শঙ্গাইদা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লাইওইখ্রবা কংলাগী খ্বাই পানাগী মাইচৌ পুরেল ওইরম্বা মুনান খুমনগী লৈহুল লাক্লিবা জনুৱারী ১২ দা থোক্লে। থৌরম অসিদা লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙোগী শঙ্গাই নরানশেনদা লৈবদা হৈকৎ-লৈকৎ পুন্না পাঙথোকমীন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে। অহল ইবুংঙোগী থৌরম অসি মপুং ফানবা শিদবা মপু অমদি কংলা লাইফমলেনবু পুবীরিবা ইবুধৌ, ইবেন্ধৌ অনিদসু থৌনিজখ্রে। লোয়নননা থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়না ওল ইন্দিয়া কংলা পাখংবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটি মীতৈ সনা লৈবাক কংলাগী চেরোল অমনা অপিল তৌরক্লি।

তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ দ্যুলান্দেদা লৈবা চিল্ড্রেন হোমদা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গেলেক্সিনা ঙরাং চিল্ড্রেন হোম অসিদা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখ্রে। পোৎলমশিং অদুদি, চেং, হৱাই, অচাথাও, তিলহৌ-চনম, মনা-মশিংনচিংবশিং লোয়নননা লুপা ৮,০০০ তেংবাং পীখ্রে হায়রি।

গান-ঙাইগী য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ জেলিয়াংরোং জাতিশিংগী চাওরবা গান-ঙাই কুম্মৈদা অমুকো অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেসনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমুকোগী য়াইফ পাউজেলনা হায়, চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী মণিপুরগী চীংমী-তম্মী পুন্না খুন্দামীন্নরক্লিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা জেলিয়াংরোং জাতি অসিসু অমনি। জেলিয়াংরোং জাতিগী খ্বাইদগী চাওরবা অমদি লীরবা লৌরোক পচ্ছা মতুংগী কুম্মৈ অমা ওইরিবা গান-ঙাইদা অমুকোনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

থৌরম অসি জেলিয়াংরোংশিংগী ওইনা য়াম্না চাওরবা কবুই জাতিশিংনা খুন্দাবা মণিপুরগী মফম কয়াদা গান-ঙাইগী থৌরম অসি পাঙথোক্লি। অসিগুম্বা জেলিয়াংরোং কম্যুনিটিগী তঙাই ফদবা থাদোকপা য়াদ্রবা থৌরম অসিদা নাৎকী জগোই-ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবা কয়া পাঙথোকপদা নত্তনা ইরমদম অসিদা পুন্না খুন্দামীন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী মীয়ামগা লোয়নননা কুম অমগী পোৎথোক কয়া পুথোক্তুনা চামিন-থকমিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্লি। গান-ঙাই কুম্মৈগী অশেংবা থৌরম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দা-লৈতামীন্নরক্লিবা ফুরুপ-কাংলুপ খুদিংমক নুংশি-চান্নবা পুরক্তুনা পুন্না হিংমীন্নবা, পুন্না থেংনমীন্নবা অমদি পুন্না চাওখৎমীন্নবা লমদম অমা ওইরক্তুনা ইংনা-চিক্লা, তংদু-লৈতানা হিংমীন্নবা খুন্নাই অমা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেসকী য়াইফ পাউজেলনা হায়, কবুই জাতিগী খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈ গান-ঙাইনা লাকপদা মণিপুর অসি ইং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা, মচিল-মনাও ওইবা অমদি চাওখৎপা ইরমদম মণিপুর অমা পুরকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মীফম পাঙথোক্তুনা অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ হৌখিবা জনুৱারী ৮ গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা খুরাই কোন্সম লৈকাই অপুনবা নুপী লুপ্পা খুরাই কোন্সম লৈকাই ইপুম মপাল মৈরা শঙদা লৈকাই অসিগী অহল-লমনশিং য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মত অমত্তা ওইনা মখল খুদিংগী নিশা অথিংবা থল্লে হায়না ইপুম মপাল মৈরা লুপকী চেরোল অমনা হায়রি।

পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি, মমাংদগী হৌনা চত্থদুনা লাক্লিবা নিশা চাবা, য়োনবগী মতাংদা অকনবা খোঙজংগা লোয়নননা আইনগী মতেং লৌরগা অহকপা চৈরাক পীবা অমদি মুথৎনবা হোৎনবা।

লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল অসিদা লৈকাই অমদি কেন্দ্র অসিগী চাওখৎ খোঙথাংদা অমুক্কা হেন্না খুমাং চাওশিনবা পুরকপা ঙম্নবগী পান্দমদা খুরাই কোন্সম লৈকাইদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা কেন্দিদেট অমত্তগী চাক-ঈশিং চানবা অমদি নিশানচিংবা শিজিন্নহন্দবা। করিগুম্বা হায়রিবা থবক কনাগুম্বনা মসিগী মায়োক্তা চত্থরকপা থেংনরবদি মসিদা মৈরা পাইবীনা লেপ্লকপা ৱারেপ খুদিংমক মশা-মশানা য়াজগদবনি। লোয়নননা লৈকাই অসিদা জুৱার শান্নবসু অথিংবা থল্লে।

খুরাই কোন্সম লৈকাই ইপুম মপাল মুস্লিম খুল্লক্তা অতোপ্পা লৈকাইদগী লাকপা নহাশিংনা নিশা চাবা, কাপ্পা চঙলকপদসু অথিংবা থল্লে। লোয়নননা লৈকাই অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তগী নুপী অমমম থোকপীরক্তুনা লৈকাই অসিগী ওইবা অমদি লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবীয়ু। করিগুম্বা শরুক য়াবীদবা তারবদি মখোয়-মখোয়গী থৌদোক-ৱাথোকশিংদা মীয়াম চঙদবা হায়না মত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

৮২ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ লাক্লিবা জনুৱারী ১৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা দেব লিটরেচর সেন্টর দি এম কলেজ কেম্পস ইম্ফালদা বি জয়েন্তাকুমার শর্ম্মাগী ইমুং-মনুং অমদি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফাল অনিনা খুৎশম্নদুনা বি জয়েন্তাকুমারগী ৮২ শুবা মপোক নুমিৎ নিংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা শগোলশেম ইন্দ্রকুমার রিটায়ার্দ ষ্টেসন দুরদর্শন কেন্দ্রনা অথোইবা লেঙবীরকপা অমদি ডাঃ অথোকপম খেলচন্দ্রা সিংহ প্রসিদেন্ট মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী চেরোল অমনা হায়রি।

পাঙথোক্লদৌরিবা নুমিৎ অসিদা সিম্পোজিয়ম অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। মদুগী হিরমদি, জয়েন্তাকুমারগী ঈশৈ ময়েক 'হাদ শমতোন অয়াংবা' মোদরেটর প্রোঃ পোলেম নবচন্দ্রনা ওইগনি। থৌরম অদুদা চে পাথোক্কদবশিং অদুদি, এল অশোককুমার, এন তিকেন, শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমদা চিয়ারপার্সন ডাঃ রতন থিয়াম চিয়ারমেন কোরস রিপার্টরি থিয়েটর ইম্ফালনা ওইগনি। অদুগা শৈরেংগী খুদোল তম্বীগদবশিং অদুদি, এস ভানুমতি, আর কে ভুবনসনা, বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী, এস ঐচ প্রলহাদ, য়ুম্লেম্বম ইবোমচা, কোইজম শান্তিবালা, যোদ্ধ চন্দ্রা সনসম, নোংমাইথেম কিরনকুমার, মোইরাংথেম বরকন্যা, শরতচান্দ থিয়াম, থাংজম ইবোপিশক, আর কে সনাহনবী, এস লনচেনবা মীতৈ, দিলিপ ময়েংবম, লৈঙাকলেম্বী চনু, ক্ষেত্রি রাজেন, ইরুংবম দেবেন মীওইশিং অসিনা শরুক য়াগনি।

জয়েন্তাকুমারদা কৎচবা মশানা ইজরম্বা ঈশৈ শৈরেং, শৈরেংদা আর কে হেমাবতি অমদি সৌবাম তোম্বনা পাথোক্কনি। মসিদা খোরিরোলবু নুংশিবীবা অমদি পুক্নিং থৌগৎপীবশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু হায়না মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিনা অপিল তৌরক্লি।

কাউন্সেল্লিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়ার এফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মণিপুরনা হোম টু হোম কাউন্সেল্লিং প্রোগ্রাম অমা লাংমৈদোং মনিং ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

কাউন্সেল্লিং প্রোগ্রাম অদুদা প্রোগ্রাম মেনেজর এম প্রেমিয়ার সিংহ অমদি প্রোগ্রাম কন্সলটেন্ট কম স্পিসিয়েল এদুকেটর হিয়ারিং ইম্পিয়ারমেন্ট সি ঐচ দেবকুমার সিংহ অমদি সেন্টর অসিগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি। কাউন্সেল্লিং প্রোগ্রাম অদুদা লোকোমোটর দিসএবিলিটিস, ভিজুয়েল ইম্পিয়ারমেন্ট, মেন্টেল রিটার্দেসন কয়া থেংনরকখি। দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিং অদু ষ্টেট মেদিকেল বোর্দনা পীবা দিসএবিলিটি সার্টিফিকেট পাইদবা কয়া থেংনরকখি। মতৌ করম্না দিসএবিলিটি সার্টিফিকেট অসি তান্নগনি হায়বা ফাওবা খঙলমদে। গভর্নমেন্টকী স্কিম কয়াগী কান্নবা অমত্তা ফংদনা লৈরম্বা কয়া থেংনরকখি। সেন্টর অসিনা সার্টিফিকেট পাইদবা মীওইশিং অদু সার্টিফিকেট পাইনবগী অমদি গভর্নমেন্ট স্কিমশিংগা কান্নবা কয়া শুগাইনা খঙহল্লমখি হায়রি।

শুমাং লিলা নিংথম কুম্মৈ-২০১৬

মৈশা নংখ্রবা অহিংগী লীক্লা

হেরোজিৎ নোংমাইথেম:-

ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেন্দা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা চথরিবা ১৩ শুবা শুমাং লিলা নিংথম কুম্মৈ ২০১৬ গী ঙরাং ১০ নি চনবা নুমিৎতা 'অহিংগী লীক্লা' উৎখ্রে। লিলা অসি মীওইবা ঐখোয়গী লমচৎ-শাজৎতা কল্লক-মীহৌবা হায়বা অসিসু অমনি। ঙাইহাক্কী অপাম্বা, কল্লকপা কয়া ফংনবা হোৎনবদা পুন্সিগী অমাং-অতোংদি করিসু খঙহনরুদে। মমৈথংদা মীওইবগী পুন্সি কয়াদা নত্তনা অপাম-মীহৌ পোক্লুরিবা মীওইশিং অদুগী পুন্সিদসু করিসু তোংজবা লৈতে হায়না উৎপা লিলানি 'অহিংগী লীক্লা'।

সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্টনা উৎখিবা লিলা অসি য়েস মীতৈনা ইরগা লিলা সংস্থান অসিগীসু আর্টিষ্ট ওইনা লৈরিবা প্রফুল্লোচন্দ্রনা দিরেক্সন পীবনি।

লিলা অসিগী শল্লপ্পা ৱারীদি, য়াম্না ইংনা-চিক্লা খুঙংগী লমদম অমদা য়ুম্বান্দুনা লৈজবা নোংয়াই (নিলচন্দ্রা) অমদি লীক্লা (নরেস) কী পুন্সিদা থাজদনা থোরকপা থৌদোক পরিং অমা ওইবনা হৈ-শিংনা প্লোট অমদি ক্রাইসিস ময়েক শেংনা থমদুনা শেমগৎলি। নোংয়াইগী মশক-মতৌ চংখোল্লবী লোইনবী লীক্লাবু জজ ওইরিবা থোইবা (মঙ্গিয়াইমা) না অপাম-মীহৌ পোকখি। লীক্লাগী মনে থরো (ইন্দ্রজিৎ) কী খুজিল থৌরাংবু থিকাদার লাইবা (সোমোরেন্দ্রো) না খৌরাংনা ঙাইরকখি। নোংমা লীক্লানা পীক্লিবা মচানুপা অমদি মপুরোইববু হুন্দোক্লগা থরোনা চলাইবা নাইটিঙ্গল ফাষ্ট ফুদতা অহিং অমা য়ারেকখি। মদুনা মরম ওইরগা থরোনা লীক্লা অমদি নোংয়াইগী মরী তৎনবগী মচাক ওইহল্লকই। হান্না ফাষ্ট ফুদ অদুদা লৈরম্বী রোংমৈ নিংঙোল লিলিনা মাগা মরী লৈনখিবা থিকাদার লাইববু থিরকপগা লোয়নননা মখোয় অনি নিংঙাই শংদানরকপদগী শোকফম চাদবা মফমদা শোকখিবদগী লিলি লৈখিদে। থৌদোক অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মহাক্কী অশিবা হকচাং অদুদা লীক্লাগী ফিজোল শেৎচিল্লগা তুরেলদা লংথখি। অদুগা মীহাৎ অদু নোংয়াইনা পাঙথোকপনি হায়না থরোনা লান্না ক্লেম তৌখি। লান্না হায়জিনবদগী নোংয়াই জেলদা ফাদোক ওইনা চহী ২৫ লৈখি। থৌরাংশিং অসিগী মাষ্টরমাইন্দনা জজ থোইবা অমদি থরোনি।

অসুম্না চহী ২৫ হৌখ্রবা মতুংদা নোংয়াইগা মরুপ-মপাং ওইনা তিন্নরকপা তম্পাকচাও (শৌগ্রাকপম হেমন্তা) না নোংয়াইগী মচানুপা অদুবু মী ওইনবা য়োক-থাক্তুনা শেল্লকখি। মতম খরগী তুংদা নোংয়াইগী মচানুপা লমঙানবা মশক নাইরবা এদভোকেট অমা ওইরকখি। নাকল অমরোমদনা মাগা মপান্দা পুন্না মহৈ তম্মীন্নরকপী জজ থোইবগী লৈখিদ্রবী লোইনবীনা পোক্লম্বা ঙাহোই (তোম্পোক) শু পুলিস ওফিসার অমা ওইরকখি। মখোয় অনিনা হৌখ্রবা চহী ২৫ গী মমাংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী অচুম-অরানগী কেস অদু নোংয়াইনা জেলদগী থোরক্লবা মতুংদা থিগৎলকখি। মখোয় অনিনা থিগৎলকপদগী থৌদোক অদুদা থিকাদার লাইবা, থরো অমদি জজ থোইববু চাওনা চেন্নখি হায়বা খঙখি। মসিগী মতুং তারকপদা লীক্লানা মাগী শিখ্রে হায়না খল্লুরবা মপুরোইবা অমদি মচা অদু হিংলী হায়বসু খঙখি। পেন্দবনা নিংঙমলক্তবা লীক্লানা থরোবু থাংনা থিন্দুনা হাৎখি। মমৈথংদা লমঙানবনা তম্পাকচাওগী ৱারীদগী অশেংবা ৱারী পুম্বা খঙবগা লোয়নননা মপা-মমা অনিবু শকখংবগী মীকুপ অদুদা থরোবু থাংনা থিন্দুনা হাৎলুবগীদমক মমাবু ফাদুনা পুখি। ট্রেজিক ইন্দিংদা লিলা অসিগী অরোইবা শরুক ওই।

লিলাগী ৱারী পরিংদা য়াম্না ফোর্সফুল ওইবতা নত্তনা ৱারীগী স্কেলেটনসু য়াম্না লীংই। করেক্টর ফজনা পী, ড্রামাটিক টেন্সন অমা ইরোইনহন্দুনা লিলা অসিগী ৱারীবুসু পারফোর্মরশিংনা নিংথিজনা মথম্বাই পালহনখি। করেক্টর এক্টিভিটি য়ৌশিন্না অমদি কনফিদেন্স লৈনা পারফোর্ম তৌখিবা আর্টিষ্টশিংগী থোং মান্নবা মওৎনা লিলা অসি অকনবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। থোইদোক্লা অমমমতা ওইনা আর্টিষ্টশিংগী করেক্টর, ৱার্ক পল্লবগী কান্নদ্রে হায়না খল্লি। অদুক্কী মতিক মশা নান্না অমদি চাওনা অহো-অরাক্কী মমি তাদনা পুথোকপা লিলা হায়বদু ওইখি। মরুওইনা লিলা অসিগী সেন্টর করেক্টর পুখিবা সৌগ্রাকপম হেমন্তাগী এক্সত্রা ওর্দিনরি ওইবা তোপ-তোপ্পা এক্টিংগী সিগনেচরনা মপুং ফানা রিয়েলিটিগা ইরোইনহনবা দাইলোগকী এক্সপ্রেসন্না ওদিয়েন্সশিংবু মপুং ফানা ইন্টরটেন্ট পীখি। তশেংনা মহাক্লা লিলা অসিগী মহাও অদু মায় পাক্লা অয়েংবশিংদা তংহনখি।

বেক গ্রাউন্দ ম্যুজিক্কী সেট্টিং স্কোর তৌরিবা ম্যুজিক দাইরেক্টরনা লিলা অসিবু অমুক্কা হেন্না মথ্বাই হাপ্পদা চাওরবা মতেং ওইহনখি। লিলা অসিগী প্রদক্সন, দিজাইন্দা টাইমস, স্পেস অমদি এটমোসফিয়ারগী সিচুয়েসন ঙাক্লা অকোইবগী হোংলকপা মশক অমদি শক্তমশিং অদুবু শং-শংনা উহনবা ঙমখি। সমুদ্রা খোংবানগী দৃশা, ত্রেন চেল্লকপগী ইফেক ফজনা পীদুনা মেটাফর ওইনসু শিজিন্নবা উখি। ঈশৈ নোংমাইদসু ফজনা স্কোর তৌখি।

অইবনা থম্মিংলিবা লিলা অসিগী নুংগী ঈচেল অদু ৱাহন্থোক লৈনা পীবা ঙম্বা অসিমক সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্টকী মহৈ য়াল্লবা হোৎনজমন্নি।

ঙসি ফেষ্টিভেল অসিগী ১১ নি চনবা নুমিৎতা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী 'নুংশিরবী অবেম' উৎকনি।

১০ শুবা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ মীলাল ময়াই লোইশঙদা ঙসি ১০ রক শুবা ওঝাগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না মীলালগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, মতমগী ঈরোলনুংদা মতম কুইনা লুপ্তুনা লৈরুরবা মীতৈ ময়েকপু মচোই-মচোই তানা লৈরুরবা মীতৈ ময়েক্কী লুপশিংবু অমত্তা ওইবা পুশিন্নবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা অমত্তা ওইবা লুপ মীলাল কৈশাম্পাৎ ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুলদা শেমখি। লোয়নননা মীলালগী লুচিংপুরেল ওইনা থৌ পুবা হৌরকখি। থৌ পুরকপগা লোয়নননা লৈঙাক লোইশঙগী মথক্তা মীতৈ ময়েকপু মপুং ফানা মহৈলোইশঙশিংদা তমহনগদবনি হায়না ঈহৌ হৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা মীলালগী থৌমী অমদি লুপ কয়াগী থৌমী ৪০০ হেনবনা জেলদা অৱাবা কয়া খাংখি।

লোয়নননা লুচিংপুরেল ওঝা অকাবসু ফাজিন্দুনা কৈশুমশঙদা লৈখি। লুচিংবা অসিনা কৈশুম শঙদা লৈখিবদগী অমুক্কা হেন্না খোঙজং চঙশিল্লকপদগী লৈঙাক লোইশঙনা কৈশুমশঙদা লৈবা ওঝা অকাববু সি এমগী লোইশঙদা পুথোক্তুনা লমদম অসিগী মহৈলোইশঙশিংদা হৌখিবা চহী ২০০৫-৬ তগী ক্লাস ৱান অমদি টুদা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌরকই। অদুগা মখা তানা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা মীতৈ ময়েক তম্বা য়াহনখি। মীতৈ ময়েক অসিগীদমক অকনবা থৌদাং লৌবীরম্বা ওঝা অকাবনা লৈখিদবগী ১০ রক শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী ফমদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি হায়রি।

সনামহি কিয়োং শাবগী তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ নোংমাইজিং চীংদা শাগৎলিবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইনিংকোলগী সনামহি কিয়োং শাগৎলিবা অসি শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি।

শেলগী তেংবাং পীরকখিবশিং অদুদি, কোইজম বিমোল, ৱাংখে কোইজম লৈকাইনা লুপা ১,০০০, সনাবম অপাবী ৱাংখে কোইজম লৈকাইনা লুপা ১,০০০, কোইজম মুনি ৱাংখে কোইজম লৈকাইনা লুপা ১,১০০, কৈশাম ভৈগো ৱাংখে বোইজ লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১,০০০, অথোকপম তোম্বা ৱাংখে য়োংলান লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১,০০০, ডাঃ থাংজম সোমোরেন্দ্রো ৱাংখে থাংজম লৈকাইনা লুপা ১,০০০, থাংজম ওকেন্দ্রো ৱাংখে থাংজম লৈকাইনা লুপা ১,০০০, হুইদ্রোম বদনকুমার ৱাংখে থাংজম লৈকাইনা লুপা ১,০০০, মোইরাংথেম অরুনকুমার ককচিং মোইরাংথেমনা লুপা ১,০০০, নাওরেম রতনকুমার ককচিং নিংথৌ লৈকাইনা লুপা ১,১০০, পাঙবম মনিতোম্বী শিংজমৈ ৱাংমা কোংবা রোদতা লৈবনা লুপা ১,০০০, ক্ষেত্রিময়ুম জয়কুমার সুমাং লৈকাইদা লৈবনা মহাক্কী অপোকপা ক্ষেত্রিময়ুম মনিহলগী মিংদা লুপা ১,০০০, তৌরাংবম ফুল্লো বাবু মীতৈ বাবুপরা জিরিবামদা লৈবনা লৈখিদ্রবা তৌরাংবম গৌরমোহন মীতৈগী মিংদা লুপা ১,০১১, তৌরাংবম ওংবী ভিক্তোরিয়া বাবুপরা ৱার্দ নম্বর ৫ জিরিবামদা লৈবনা মহাক্কী লৈখিদ্রবী অপোকপী সাইখোম ওংবী অমুতোম্বী দেবীগী মিংদা লুপা ১,০১১, তৌরাংবম ওংবী ভিক্তোরিয়া বাবুপরা ৱার্দ নম্বর ৫ জিরিবামদা লৈবনা লৈখিদ্রবা অপোকপা সাইখোম নিশিকান্তাগী মিংদা লুপা ১,১১১ শেল ওইনা তেংবাং পীরকখি হায়না লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল কাংলুপ শঙলেন ইম্ফালগী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঙ্গোর খুমনগী চেরোল অমনা হায়রি।

মাও কৈথেলগী অহোংবা কয়া উরকখি

ইম্ফাল, জনুৱারী ১০ঃ মাও কৈথেলদা লল্লোন-ইতিক অমদি চাক হোতেলশিংগী ফীভম য়াম্না হোংলে। দিমাপুর লম্বীগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চৎপদা কাংপোকপী অমদি মাও কৈথেলগী অহোংবা কয়া উবা ফংলকখি হায়না এ এ পি মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, হান্না লৈরম্বা মণিপুরী হোতেলশিংদা চাক চাবীনবা মীশিং নিংথিনা উবা ফংদ্রে। লল্লোন-ইতিক তৌদুনা হিংজবা মফম অদুগী মীওইশিংসু খুদোংচাবা ৱাৎনা ইচিক-চিক্লা লৈহৌবগুম তৌরি। কৈথেলদা মীয়াম তিনবসু অদুক্কী মতিক হন্থরে। হায়রে অসিদা লৈরিবা ট্রেক্স লৌফম কয়াদসু হান্নগুম্না থবক চিন্দ্রে। চাওখৎপসু হন্থবগুম তৌরি। ইনক-নক্লা সেকমাই বজারদা চাক হোতেল তৌরিবা মীয়ামসু হান্নগুম্না উবা ফংদ্রে।

ষ্টেট সরকার অমদি ভারত্তা সরকার পাইরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিগী মরমদা অকনবা খোঙথাং লৌখৎপসু উদে। মণিপুর মীয়ামসু মরুওইনা মীতৈশিংদি চাবা ফংদবগী অৱাবগী মমি তাদে। থাইনদগী চাবা-থকপা মরাং কাইনা লৈজরকপা মণিপুরীশিংনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ লৈরবসু হায়ফম থোকপা তৌবীগনু হায়রবসু চাবা ফংদদুনা অশি-অনা থোকপগী পাউ ফংদে। মণিপুর অসি হায়রেশিং ফাওদ্রবসু প্রি-মর্জর ষ্টেটসতা হিংলম্বগুম্না করিসু ৱাবীদে। পেট্রোলগী ৱাফমদি থাইনদগী অৱাং বি ও সি মফম অসি নৌনা চাওখৎহনবা য়াই। করিগুম্বা দিমাপুর লম্বী অসি মতম চুপ্পগী ওইনা চৎনদ্রবদি জিরি লম্বীদা নত্রগা তোংজৈ মরিলদা লৈনুংহুৎ লম্বী শেমদুনা অসামগা শম্নবা য়াই। অদুম ওইনমক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ত নত্রগা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী ইচিল-ইনাওশিংনা গাড়ী ফংদদুনা ট্রান্সপোর্টেসন লৈতবগী অৱাবা অদুদি মায়োক্লগনি।

উচি কল্লক্তুনা ময়ুম মৈ থাবা অমদি বাইবলদা য়াওরিবা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎলুবা প্রোদিগল সনগী ৱারী নিংশিংবা য়াই। মণিপুরগী কাংলুপ কয়াগী অৱাবা অসি খনবীদবা, নুংশিনদনবা শিল্লিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা চহী ৫ গী রাইটকী ভোট পীবদা মীয়াম্না চেকশিল্লসি হায়না পাউজেল পীরক্লি।

EMPLOYMENT NOTICE

Applications on plain Papers are invited from intending marticulate candidates for 5 (five) animators/multitask assistants on before the 20th of January 2017 for the proposed Community Development Project at Imphal-East and Imphal-West Districts under Global Fund India.

The appointments are initially for 3 (three) months, further extension of the services will depend upon the efficiency of the incumbents.

A.K. Meetei
Chief Functionary
Secretary
Society for Community Resource Development
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai. Inphal
Contact No. 9862096922

NT/70790/11

[illegible]/ M/S BEE BRICK FIRM
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near Khongjom War Memorial Gate

Class	Rate	No.Brick	Amount	Gari Charge	Labour Charge	Total Amount
1st	Rs.8.50	3000	Rs.25,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.29,100
1st	Rs.8.50	2000	Rs.17,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.19,400
1st	Rs.8.50	1500	Rs.12,750	Rs.1,500	Rs.350	Rs.14,600
2nd	Rs.8.00	3000	Rs.24,000	Rs.3,000	Rs.600	Rs.27,600
2nd	Rs.8.00	2000	Rs.16,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.18,400
2nd	Rs.8.00	1500	Rs.12,000	Rs.1,500	Rs.350	Rs.13,850
Rej(Jamat)	Rs.7.50	3000	Rs.22,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.26,100
Rej(Jamat)	Rs.7.50	2000	Rs.15,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.17,400
Rej(Jamat)	Rs.7.50	1500	Rs.11,250	Rs.1,500	Rs.350	Rs.13,100
3rd	Rs.3.50	3000	Rs.10,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.14,100
3rd	Rs.3.50	2000	Rs.7,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.9,400
3rd	Rs.3.50	1500	Rs.5,250	Rs.1,500	Rs.350	Rs.7,100

Contact: 1) Kanta : 9615839170, 2) Bikom : 9856479022
3) Ratan : 9856916762



PIS Brick Field (Mechanised)
BRICK SAMPLE
PIS
[illegible] (From time to time rate changeable)

Class	Rate	Brick	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st	Rs. 8.40	3000	Rs. 25200	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 28800
1st	Rs. 8.40	2000	Rs. 16800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 19200
1st	Rs. 8.40	1500	Rs. 12600	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 14450
2nd	Rs. 8.20	3000	Rs. 24600	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 28200
2nd	Rs. 8.20	2000	Rs. 16400	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 18800
2nd	Rs. 8.20	1500	Rs. 12300	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 14150
1st Rej.	Rs. 7.30	3000	Rs. 21900	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 25500
1st Rej.	Rs. 7.30	2000	Rs. 14600	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 17000
1st Rej.	Rs. 7.30	1500	Rs. 10950	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12800
Peti	Rs. 7.00	3000	Rs. 21000	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 24600
Peti	Rs. 7.00	2000	Rs. 14000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 16400
Peti	Rs. 7.00	1500	Rs. 10500	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12350
3rd	Rs. 4.00	3000	Rs. 12000	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 15600
3rd	Rs. 4.00	2000	Rs. 8000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 10400
3rd	Rs. 4.00	1500	Rs. 6000	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 7850

Contact: 9862048579, 7085684539, 9856052197 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Sabal Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

COCI
COMBINED COACHING INSTITUTE
URIPOK KHOISHAM LEIKAI, OPPOSITE OIL PUMP (IMPHAL)
A mission for a better society

ADMISSION OPEN

Our HSLC Rank Holder Cocians, 2016
19th Rank Holder A. Sivani Devi HSLC Exam
21st Rank Holder Th. Krishnakant HSLC Exam

ADVANCED FOUNDATION COURSE
CLASS-X (BOSEM)
ENG, MATHS, Sc., S.Sc., MAN, Opt. Sub.
Classes commencing on 5th January, 2017

Special Features:
- Supply well designed study materials
- Analysis of probable Q & A for Final Exam
- Taught by Expert Faculties
- 50% Fee consession for Physically challenged persons
- Regular unit wise Sunday Test Series & Mock Test
- Vision for Toppers

Facilities:
Separate Hostel for Boys & Girls and Van Service

CLASS SCHEDULE
Morning : 05:00 to 08:00 a.m.
Evening : 04:30 to 07:30 p.m.

CLASS-X & CLASS-XII (SC.)
CONDENSED REVISION COURSE, 2016 -17
Classes commenced

For detail information:
Please Contact, Office COCI

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR. IMPHAL

NOTICE

Date, the 10th January, 2017

Rescheduled Programme for BA/BSc/BSW/BTT/ BFT 3rd Semester Examinations, 2016 (Nov)

No.MU/9-1/13/Sem/Exam(C): In continuation of this office memo of even no. date 16/12/2016 & 19/12/2016, the Examination postponed from 19/12/2016 onwards until further order is now re-scheduled as under



Date & Day	Time: 10 a.m to 1 p.m
16/1/2017 (Monday)	Sociology-III(303)/Computer Science-III(303)/Bengali-III(303)
17/1/2017 (Tuesday)	Geography-III(303)/Electronics-III(303)/Com.E2(303)-Business Mathematics & Statistics
18/1/2017 (Wednesday)	Economics-III(303)/Defence Studies-III(303)/Health Education-III(303)
19/1/2017 (Thursday)	Home Science-III(303)/BTT-301/BSW-301/BFT-301
20/1/2017 (Friday)	Physical Education-III(303)/Anthropology-III(303)/ Com.E3(303)-Management Accounting
21/1/2017 (Saturday)	History-III(303)/Biochemistry-III(303)/BTT-304/BFT-304/Environmental Science-III(303)
23/1/2017 (Monday)	Statistics-III(303)/Sports-III(303)/BTT-302/BSW-302/BFT-302/Human Rights-III(303)
24/1/2017 (Tuesday)	Botany-III(303)/Philosophy-III(303)
25/1/2017 (Wednesday)	Mathematics-III(303)/Hindi-III(303)/BTT-303/BSW-303/BFT-303
27/1/2017 (Friday)	Zoology-III(303)/Manipuri-III(303)/Mizo-III(303)
28/1/2017 (Saturday)	Geology-III(303)/Education-III(303)

Prof. **N. Ibotombi Singh**
Controller of Examinarion